*Total number of pages—8*

**27T MMAN**

# 2017

# MANIPURI

( MODERN INDIAN LANGUAGE )

**Full Marks : 100**

**Pass Marks : 30**

**Time : Three hours**

***The figures in the margin indicate full marks for the questions.***

| | |
|---|---|
| *Q. No.* **1** *(Ka to Nya) carries* **1** *mark each* | 1×10=10 |
| *Q. No.* **2** *carries* **2** *marks each* | 2×6=12 |
| *Q. No.* **3, 4 & 5** *carries* **4** *marks each (any four)* | 4×4=16 |
| *Q. No.* **6, 7 & 8** *carries* **5** *marks each (any four)* | 5×4=20 |
| *Q. No.* **9** *carries* **6** *marks each (any two)* | 6×2=12 |
| *Q. No.* **10** *carries* **5** *marks each (any three)* | 5×3=15 |
| *Q. No.* **11** *carries* **15** *marks (any one)* | 1×15=15 |
| | Total = 100 |

*Contd.*

Sebaguide.com A complete guide for SEBA students

১। য়ান্না তেন্না খুস্মু ঃ ১×১০=১০

(ক) অপাম্বনা নুংশি ফাংখোঙ পায়ফরোই' — ৱাহৈসি কনানা হায়রিবনো ?

(খ) মণিপুরী ৱারেংবু মওং অমা তাহল্লকপসি মপুং ওইনা কনাবু লৌনবগে ?

(গ) তানা তানা তাশিন্নদে মণি-মপানা। মহাক্কা রাশি থোইনা তিন্নদে — পল্লিবসি কনানো ?

(ঘ) অনাবা ফনবা হিদাকপু লান্না শীজিন্নরবাদি মদু ইংলিশতা করি কৌবগে ?

(ঙ) এরিষ্টাটল কনানো ?

(চ) ৱাইথৌ শগোল হায়রগা কনাবু খঙনবগে ?

(ছ) 'শৈশক্ নংগী শৈপানবনা' — কনাগী শৈশক্‌পুনো ?

(জ) স্টেলিন কদায়দা পোকখিবা লুচিংবনো ?

(ঝ) কনাবু 'মেলৈ লাংবা' কৌবগে ?

(ঞ) 'অরীবা ঈশৈ' হায়রিবসি করি হায়রিবনো ?

২। তেন্না ৱাহৈ পরেং ২/৩ দা পাউখুম পীয়ু ঃ ২×৬=১২

(ক) 'নুংশিবা-প্রকৃতি, অপাম্বনা বিকৃতি', হায়বগী মরম করিগীনো ?

(খ) অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য পোকখিবা মতমদা পুথোকখিবা পত্রিকা অনীদংগী মমিং ইয়ু।

(গ) কনানা করিগীদমক্ চীংনুং-মানুংদা হাইজিন্দুনা লল্লোনবগে ?

(ঘ) ঐচ, আই, ভি (HIV) করিনো ? মসিগী মপুং ফাবা ৱাহৈদু ইয়ু।

(ঙ) STD/STI গী মপুংফাবা ৱাহৈদু ইয়ু।

(ঘ) মোইরাং শাইয়োন অনীখক্কী মমিং ইয়ু।

৩। “রবী অমসুং শরতকী উপন্যাসতা য়াওবা নুপীনা মৈতৈ নুপীগী মনাক নকচবা ঙম্লোই।” ৱাফমসি অইবনা করিগী হায়রিবনো ? মরম পীয়ু। ২+২=৪

*নত্রগা*

“অসুন্না সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্না চাহৎপীরম্লবা মণিপুরী লোন অসি মুক্তি ফংজবা কুইদ্রি।” মণিপুরী লোনবু চাহৎপীরম্লবা লোন হায়রিবসি করিগীনো ? লোনসি কনা কনানা মুক্তি ফংহনখিবগে ? ২+২=৪

৪। অনীখক্কী মরমদা পাউখুম পীয়ু ঃ ৪×২=৮

(ক) ‘শক্তি হায়বসিনা মওং অমা নত্তে অমদা মী অমবু অতোপ্পা অমনা খুদম চন্নবা হোৎনৈ’ — মসি হায়বগী মরমদু তাক্লুনা ইয়ু।

(খ) ইনখৎলকপা চহী মতাংগী অরানবা ৱাখল্লোনশিংগী মরমদা ইয়ু।

(গ) এডোলেসন্সকী মতমতা নহা ওইরিবা নিপা-নুপীশিংগী হকচাংগী পুক্রিংগী মত্তং করম তৌবগে ?

৫। ৱাহং অমগী পাউখুম পীয়ু ঃ ৪×১=৪

(ক) কুম্বী কালেন নাইদনা শাৎপা,
লৈগী চার থিরুসি,
থারুসি মন্দিরগী অকোয়বদ,
মখোঙ ঈংহনসি মিৎকী পি ঈফুৎনা।
মসিদা পল্লিবা ‘কুম্বী কালেন নাইদনা শাৎপা’
লৈরাং হায়রগা করিবু খংনগনি তাক্লুনা ইয়ু। ৪

(খ) “লাউরক্লি তোর্ব্বানগী মীনা
করিনো অঙাউবা হোঞ্জিল্লু”
‘লাউরক্লিবা’ মীশিংসি কনানো ? ‘অঙাউবসিনা’ কনাবুনো ? করিগী মরমগীদমক্ আঙাউ বা হায়রিবনো ? ১+১+২=৪

৬। ৱাহং অনীখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×২=১০

(ক) লোক সাহিত্য কদায়বু কৌই ? থায়না মমাংঙৈদা ওইরম্বা মোইরাংগী চনুরাশিংগী ফিভম তাক্কুনা ইয়ু।

(খ) এলাংবম নীলকান্তগী মতুং ইন্না খ্বাঃ চাউবা অমসুং কমলগী ৱারেংগী খুৎই চাংদম্নদুনা ইয়ু।

(গ) মণিপুরগী অনিশুবা নুপীলাল করি মরমদগী থোকখিবগে ? মদুদা মৈতে নুপীনা লৌখিবা থৌদাংশিংদু তাক্কুনা ইয়ু।

৭। লান্না শীজিন্নগনবা হৈনবী পোকহনবা পোৎশকশিংগী মরমদা ইয়ু। ৫×১=৫

*নত্রগা*

'Knowledge is power' জ্ঞান হায়বসি শক্তিনি' — কনানা হায়রম্বগে ? মসিগী মরমদা ইয়ু।

৮। নীংশিংলিবরা ইমা মণিপুর ?
নচাশিংদি য়েংলি, অদুবু কাউরে।

— 'নীংশিংলিবরা' হায়রিবসি করিবুনো ? নচাশিংদি য়েংলি, অদুবু কাউরে' হায়বগী মরন্না করিবুনো ?
২+৩=৫

*নত্রগা*

'কমলদা' হায়বা শৈরেংদা কবি অশাংবম্ মীনকেতননা শৈথারিবদু নশাগী লোন্না ইয়ু।
১×৫=৫

৯। য়াওফম মরী-মথোঙ তাক্কুনা শন্দোক্না ইয়ু। ৬×২=১২

(ক) 'মাগী নীংবা কায়রনি
নোংনা পুমঙাল ঙান্দ্রিঙৈ
খঙঙি চেক্লা থেমদোকখিবনি
শিদ ঈরা ইন্দুনা য়োকপনি।

*নত্রগা*

'য়ারল পাৎকী তোমথিনলৈ
নুরা পুক্নিং তাজনা
মাইনু মানা থারম্বদাই
লাইগী মচা কোম্বীরৈ
লম্ফেল নৰা হায়নবদাই।

(খ) 'ইংরাজী কবি ৱার্ডসৱার্থনা প্রকৃতিগী পৌরোহিত্য তৌখিবগুম সংস্কৃত কবি কালিদাসনা প্রেমগী পৌরোহিত্য তৌখিবনি'।

*নত্রগা*

"অঙাংগী অচম্বা মীৎয়েংগা লোয়ননা অহলগী খুৎয়েক্তা লোয়বা নাইদ্রবা ৱারেং শৈরেং থনমই — 'অঙাংহল' মিংফমগী চানবা তৌরম্মী।

১০। অহুমখক্কী মরমদা পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×৩=১৫

(ক) বিভক্তি (পংখৈ) কদায়বু কৌই ? বিভক্তি মখল কয়ানো ? মখলশিং অদুগী মমিং ইয়ু। ২+১+২=৫

(খ) সমাজ (ৱাপুন) কদায়বু কৌবগে ? সমাজ মখল কয়ানো? মখলশিং অদুগী মমিং ইয়ু। ২+১+২=৫

(গ) ৱাতপ (প্রত্যয়) কদায়বু কৌই ? মখলশিংদু তাক্লগ খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। ২+৩=৫

(ঘ) কারক (থৌবাঙ) কদায়বু কৌই ? মখল কয়া শুই ? মখল অনীখক্কী মরমদা খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। ২+৩=৫

১১। মখাদা পীরিবা রচনা (Essay) অসিদগী অমগী মরমদা ইয়ু। ১×১৫=১৫

(ক) থকসি-খাসি

*(i)* ৱাহৌদোক

*(ii)* মীত্তইবগী পুন্সিদা থকসি-খাসি

*(iii)* থকসি-খাসিনা পীরিবা কান্নবা,

*(iv)* য়ুমদা চৎকদবা থকসি-খাসি,

*(v)* মহৈশঙদা থকসি-খাসি

*(vi)* য়ুমগী মপান্দ থোরক্লগা চৎকদবা

*(vii)* ৱারোইশিন ১+১+৩+২+২+৩+৩=১৫

(খ) অকোয়বগী ফিভম মোৎশিল্লকপা অমসুং মসিবু কোক্নবা পাম্বৈ

*(i)* নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী মরম ;

*(ii)* শাবা হেনগৎলকপগী মরম ;

*(iii)* ঈশিং মোৎশিল্লকপগী মরমশিং ;

*(iv)* লৈপাক্ মোৎশিল্লকপা মরম ;

*(v)* মখোল (Sound Pollution) ;

(*vi*) অকোয়বগী ফিভম কন্নবা পাম্বে ;

(*vii*) অকোয়বগী ফিভম ঙাক-শেনবদা শরুক্ য়ারিবা সংস্থানশিং,

(*viii*) ৱারোইশিন। ১+১+২+২+২+২+২+৩=১৫

(গ) কম্পিউটার

(*i*) ৱাহৌদোক

(*ii*) কম্পিউটার পুথোকখিবা

(*iii*) মসিগী মখল

(*iv*) মসিদা য়াওরিবা পার্টশিং

(*v*) কম্পিউটারগী কান্নবা

(*vi*) কম্পিউটারনা মাংহন্নবা

(*vii*) ৱারোইশিন। ২+২+২+২+২+২+৩=১৫

——— × ———